ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



বাবুপারাদা লৈবা এস এস এগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্তকী জেদ ঈ ওশিংদা স্কুলশিংগী ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখিবা

লামায় ৩

থাংজিং অমসুং কৌব্রু চীং কন্দবা য়াদে
লামায় ৪

মহৈশঙশিংদা এদমিসন য়াহনবীনবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে
লামায় ৪

রিবাসকী অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রে, ঈরাং থোকখ্রে
লামায় ৭

থা ১ চুপ্পা চত্থরকপা ঠিএটর ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে
লামায় ৫

উরিপোক পঞ্চাই মনিং দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবীশিং অচম্বা খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা



লামায় ৩

Vol. 44, Issue No. 298 | নিংথৌকাবা, ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, January 25, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## HL Poll

Q: Leingakna laothokkhiba SOP ngakna schoolsing thong hangnanaba school authoritysingna matik chaba thourang paikhatle khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Loumeesinggi senthok lambi hengathannaba leingakki mari leinaba authorityna matik chaba thabak thouram sing paikhatli khanbra ?

Yes 8% No 92%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৭.৫৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৫.৪৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫৩

### অস! লোইরেহে!

- ঐবু য়ুম অসিদা নুপী ওইবীগী রাইট ফংহল্লু !



- অদুদি ঐসু নুপাগী রাইট ফংহল্লু য়ুম অসিদা !

# মণিপুর হায় কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অনীগী মায়োক্তা এন মঙ্গিনা এস সীদা ৱাকৎখ্রে

## ৱাকৎ অসি সুপ্রীম কোর্টনা জন্যুৱারী ২৭তা খন্নগদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী ১১শুবা মীখলদা ২৯-কুম্বী এ সীগী রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা সনসম বিরগী মথক্তা মীখলদুদা মহাক্কা লম্বা তৌনখিবা নিংথৌজম মঙ্গিনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগা মরী লৈননা কোর্ট অসিনা পীখিবা তোঙান-তোঙানবা জজ মেন্ট অমসুং ওর্দর অনীবু শীংনরদুনা পিটিস্নর অসিনা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা ৱাকৎ অদু থা





অসিগী ২৭তা খন্ননবা লিষ্ট তৌখ্রে।

পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা এন মঙ্গিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা এস বিরগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর- ১২ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা এস বিরনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর -১ ওইরগা মীখল অদুদা লোক জনাশক্তি পার্টি অমসুং এম এন দি এফকী মীরেপ ওইখিবশিংনা মথংশিংনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-২ অমসুং ৩ ওইনা কোনশিল্লকখিবনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা মমাঙগী কুমজা ২০২০গী সেপ্টেম্বর ৪দা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী ফাইনেল জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমা পীখিবনি। অদুগা পিটিস্নর ওইরিবা এন মঙ্গীগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট অসিমক্তদা মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

নেসনল গর্ল চাইল্ড দে

# চহী ২০খক্তা ঙাইরিবী শ্রিষ্টি গোস্বামিনা নোংমখক্কী উত্তরখন্দগী সী এম ওইখ্রে

হরিদ্বার, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

নেসনল গর্ল চাইল্ড দে জন্যুৱারী ২৪দা উত্তরখন্দগী হরিদ্বার দিষ্ট্রিক্তকী দৌলাটপুর খুঙ্গংদগী মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী শ্রিষ্টি গোস্বামি কৌবী নুপীমচা অমনা নোংমখক্কী ওইনা উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রে।

হরিদ্বারদগী নুপীমচা অসিনা ষ্টেট অসিগী অহানবা নুপী সী এম ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রে। নোংমখক্কী ওইনা সী এমগী ফম পায়খিবী নুপীমচা অসিনা অটল অয়ুসমান স্কিম, স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট, হোমষ্টে স্কিম অমসুং ত্রিভেন্দর সিংহ রাৱাট গভর্ণমেন্টনা





পায়খৎলিবা থবক অতৈ চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া য়েংশিনখি। গোস্বামিনা ষ্টেট অসিগী সম্মর কেপিটেল গাইরমাইনদগী লৈঙাক্কী থৌগাই পাঙথোকখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ফগৎলকপগী চাং চাদা ৯৮.০৩ য়ৌরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৯৮.০৩ য়ৌরে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৪ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ‘ৱেষ্ট টু পাৱর প্লান্ট অথুবদা শঙ্গারগনি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

লমদেংদা শেমগৎ-শাগৎলিবা ৱেষ্ট টু পাৱর প্লান্ট অথুবা মতমদা শঙ্গারগনি হায়না মহুদ মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী লমদেংদা লৈবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টকী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লদুনা হেনরি ওক্রমনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা তানদুনা অথুবা মতমদা ৱেষ্ট টু পাৱর প্লান্ট অসি শঙ্গাদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচএনএস):

মৈতৈশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা ৱাকচিংগী ১২নি পানবা ইমা ইমোইনু ইরাৎপা নুমীৎনা লাকপদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিংনা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়াইফ-পাউজেল পীবগী চেরোল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ‘বোয়কোট তৌরে’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪: কংলৈ নিংতম য়াওল লান্থেং চত্থদুনা মান্নবা খুন্নাইরোল অমগী য়ুম্ফম থোল্লিবা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মিলিটরি কাউন্সীল (কে সী পি-এম সী) প্রোগ্রেসিভনা জন্যুৱারী ২৬ ইন্দিয়ন রিপব্লিক দে নুমীৎপু বোয়কোর্ট তৌরে হায়বা ৱাফম নিংতম্বা অমুক হঞ্জিনবা পামজবা মীয়ামদা লাউথোকচরি হায়না কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ)কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ꯂꯣꯟ ꯐꯪꯒꯅꯤ
LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE



- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6690/10th Jan. to 9th Feb.

সেলেব্রেসন তৌরি

11th NATIONAL VOTERS' DAY

জন্যুৱারী ২৫, ২০২১

চীফ গেষ্ট
শ্রী রাম নাঠ কোভিন্দ
ঈকায় খুম্নরবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট


গেষ্ট ওফ ওনর
শ্রী রবি শঙ্কর প্রসাদ
ঈকায় খুম্নরবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, লো এন্দ জষ্টিস কম্যুনিকেসন্স এন্দ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই টি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

অশোক হোটেল, ন্যু দেল্লিদা

লোঞ্চ তৌরগনি

DIGITAL EPIC
Electoral Photo Identity Card

Web Radio
Hello VOTERS
ভোট খুদিংমক মরুওই
ঐখোয়গী ঈ সী আই ৱেবসাইটতগী তাবীয়ু



ঈ-এপিকক্কী খুদোংচাবা

- দিজিটেল ভোটর কার্দ ফংনবগী অতোপ্পা অমসুং হেন্না থুবা মোদ
- মোবাইল / দেস্কটোপতা দাউনলোদ তৌরগা থম্বা য়াবা
- মশানা প্রিন্ট তৌবা ঙম্বা
- সিকিওর ওইবা : ইমেজ অমসুং দেমোগ্রাফিক্স য়াওবা ক্যু আর কোদ

ঈ-এপিক দাউনলোদ তৌফমশিং

- ভোটর হেল্পলাইন মোবাইল এপ
- https://voterportal.eci.gov.in/ https://nvsp.in/
- 1950 ভোটর হেল্পলাইন
- # ClickSeEPIC

ঐখোয় ...





থিম : এন ভি দি ২০২১
ঐখোয়গী ভোটরশিংবু ইম্পাৱার্দ তৌবা, মীৎ-না শিংহনবা, সেফ অমসুং ইনফোর্মদ ওইহনবা

© The Common Man: BCCL. Used under license

জন্যুৱারী ২৫, ২০২১ দগী : নৌনা রেজিষ্টর তৌবা ইলেক্টরশিংগী ওইনা*
ফেব্রুৱারী ১, ২০২১ দগী : জেনরেল ইলেক্টর খুদিংমক্কী ওইনা

*অখন্নবা সম্মরি রিভিজন ২০২১ মনুংদা নৌনা রেজিষ্টর তৌবা অমসুং ঈ-রোলদা য়ুনিক মোবাইল নম্বা য়াওবদমক

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া
www.eci.gov.in
ভোটর অমত্তা চিগ্থহন্দনবা

davp 52101/13/0012/2021

FB.com/ECI @ECISVEEP @ECISVEEP Youtube.com/ECI

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫